# হোলেনফাইগী ৱাথোক চাওথোরক্লি




*মোরে, মার্চ ৯ঃ*

হৌখিবা মার্চ ৪গী নুংথিলদা মোরে পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা লৈবা হোলেনফাই ভিলেজ মনাক্তা টেম্পোরেরি সো মিল অমা লৈরম্বদগী থুগাইরম্লবা মতুং মখা তানা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী লমদম অদুগী থবক থৌরাংশিং পায়খৎপদা চাওনা অশোইবা কয়া অমা থেংনরে।

হন্দক তাং ৪গী থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা লম কোইবা নত্রগা লাই খুরুম্বা চৎলিবা মীওইশিংদা য়াম্না চম্মনবা কয়া অমা থোক্লি। মসিগা মান্নবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎত্রবসু ইন্দো–ম্যান্মারগী মায়কৈদগীদি মণিপুরগী লম কয়া অমা মখোয়গনি হায়বা ক্লেম লেপ্তুনা তৌরক্লি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি থেংননবগীদমক মণিপুর সরকারনা করম্বা থৌশিল লৌখৎলবগে হায়বসি হংবা য়াই। হৌজিক্লা অমুক কবো ভেল্লি লৌশিনখ্রবা মতুংদা লাক্লিবা ৱাফমদি বোর্দরগী ঙমখৈগী মফম অমদা লৈবা টেম্পোরেরি সো মিল অমা ইঞ্জিনগী পার্ট য়াওনা পুখ্রবা মতুং খুন অসিগী খোইশাওনরবা প্রজা মীয়াম্না ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা খোঙজং চংশিল্লি।

খুল অদুগা থংনরিবা লম্বীশিংসু মখল অমত্তগী গারী চৎহন্দনা থিংদুনা থল্লি। ৱাফম অসি লুশিল্লকপদগী ঙসি মণিপুরগী সিভিল ওর্গনাইজেসন খরা হোলেন্দফাই খুলদা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিনবা লাকখিবশিং অদুদি ইচমগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্র, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈ অমদি থাদৌ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ভুংনি। হৌজিক হৌজিক ম্যান্মর অমদি মণিপুরগী বোর্দর পিলর ৭৬কী মতাংদা য়েৎনরিবা অমদি হোলেন্দফাইগী খুলগী খুঞ্জাশিংনা মিপাইবা পোক্লিবা মফম অদু মীহুৎ কাংবু অদুনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইচমগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা হান্না বোর্দর পিল্লর ২৩ ওইরম্বা, হৌজিক পিল্লর নম্বর ৭৩ হায়না অশেম্বা অমা নৌনা য়ুশিল্লগা ওইরকখিবা অসি কিলোমিটর ১ রোম চংশিল্লগা খিনজ্জিলকখিবা পিল্লর অমা লৈরম্বসি য়াম্না ঙক্লা থোকই। অমসুং হান্না ওইরম্লিবা মফম অসিদা ম্যান্মারনসু টমু টাউন্দ মনুংদা ৱাটর সপ্লাই পীনবগীদমক হৌজিক হৌজিক ৱাটর সপ্লাই প্লান্ট অমা শজিনখ্রে।

মসিদা ইচমনা ২০০৩দা মেদিয়াগী খুথাংদা অসিগুম্বা থৌওং অমা ম্যান্মরগী মায়কৈদগী লাক্কনি হায়বসি য়াম্না ঙন্না মণিপুর গভর্নমেন্টতা খঙহখ্রবনি।

মসিদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা থৌশাদবদগী ঙসিদি মণিপুরগী লম ওইরিবা মফম অসিদা ম্যান্মরগী ৱাটর সপ্লাই প্লান্ট অমা শাজিনখিবনি। মদুতা নত্তনা ম্যান্মরগী আর্মি কেম্প অমসু শাজিনখ্রে। মসিদগী হেন্দোক্লক্তুনা হোলেন্দফাইনগী মেন রোদ মনাক্তা লৈবা সো মিলগী মফম ফাওবা ম্যান্মারগী লমনি হায়না ক্লেম তৌরকপগী ফিভম অমদা লাক্লি।

মসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈগদৌরিব্রা। অমদি মতাং অসিদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা হংনিংবদি মণিপুর অসি ইন্দিয়া নত্তব্রা হায়বা ৱাহং অসিনি। করিগুম্বা নত্তে হায়রবদি মণিপুর অসি ম্যান্মারদা তিনখিবা য়াবগী ফিভমদা লাকপনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা খন্থহন্নিংবদি অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্লা নত্রগা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ৱাফম অসি লোইশিন্নবা হোৎনহনবিয়ু।

খুঞ্জাশিংনা হৌজিক লৈতাদবা অমা পোক্লিবা অসি ম্যান্মারগী কাংবুনা মখোয়গী লমদা চংশিল্লকপদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা থৌরাং অমত্তা লৌখৎতবা অসিনি। হৌজিকসু খুঞ্জাশিংনা ৱাকৎলিবা কয়া অসিগী মতাংদা সরকারগী মায়কৈদগী মতেং নত্রগা য়েৎনরিবা লমগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্কবা হোৎনদে।

করিগুম্বা থৌওং অসিগী মতাংদা সরকারগী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা তারগদি কুকিশিংগী মরু ওইবা লুপশিং য়াওনা অতোপ্পা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নরগা অথুবা মতমদা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ৱার্ল্ড কিদনি দে থৌরম পাঙথোকখ্রে




*ইম্ফাল, মার্চ ৯ঃ*

থা অসিগী ১০দগী হৌরগা চয়োল অমা চুপ্পা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরদা কিদনি ফংসন টেষ্ট (কে এফ টি) লেম্না টেষ্ট তৌবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরগী মেনেজিং দাইরেক্টর ডাঃ ধবলিনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম ঙসি ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদসু পাক শন্না ৱার্ল্ড কিদনি দেগী থৌরম পাঙথোক্লবগী শরুক অমা ওইনা দি ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্ট ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা কিদনি দিজিস এন্দ ওবর্সিটি, হেল্টি লাইফ ষ্টাইল ফোর হেল্টি কিদনি হায়বা থিমদা ঙসি ইম্ফালগী মেজোরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মেদিকেল সার্ভিসকী এদিস্নেল দাইরেক্টর পি শ্যামসুন্দর, ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ই ইবোহল অমদি ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরগী মেনেজিং দাইরেক্টর ডাঃ টি ঐচ ধবলিনা মথং শীৎনা থৌরম মপু, অথোইবা মীথুংলেন অমদি অথোইবা লেংবিরকপা ওইদুনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডাঃ টি ঐচ ধবলিনা হায়, চহি খুদিংগী ওইনা মার্চ থাগী অনীশুবা চয়োলগী শগোলশেন নুমিৎ অসি মালেম পুম্বগী ওইনা ৱার্ল্ড কিদনি দে হায়না পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীওইবগী হকচাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা কয়াৎ অমা ওইরিবা কিদনি অসি মশা মউ ফবা কিদনি অমা ওইহনগী ৱাখল্লোল অমদি নারক্তনবা মাংজৌননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং কয়াগী মতাংদা খঙজিনমিন্নবগীদমক ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি য়াম্না মরম চাই।

কিদনিদা নারকপা হায়বা অসি মরম অমদগী হেক্তা ওইরকপা য়াই। মরম অসিনা কিদনি খক্তা নত্তনা মীপুম খুদিংমক্না হকশেলগী মরমদা লৌবা য়াবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক অমগা অমগা কো ওপরেসন পীনদুনা লৌমিন্নরসি হায়না হায়খি।

লোয়নবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়খিবদা, কিদনি হায়বসি মীওইবগী হকচাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা কয়াৎশিংগী মনুংদা অমনি। তোঙান–তোঙানবা মরম কয়ানা কিদনিবু শোকহনবা য়াই। অদুবু হকচাং নোইখৎলকপা হায়বসিসু কিদনিনা নাহল্লকপা অচৌবা মরমশিং ওইরি।

মীওইবনা হকচাং নোইবা হায়বসিনা কিদনিদা শোকহনবগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ানা নাহল্লকপগী অচৌবা মরমসু ওইহল্লি। হকচাং নোইখৎলকপা হায়বসি ঙসিগী মালেম পুম্বগী ওইনা মীওইবগী হকশেলদা প্রোব্লেম অমা ওইরি।

মরম অসিনা চাবদা কন্ট্রোল তৌবা, নোইবা মীওইশিংনা নোইহন্দনবা হোৎনবা, হকচাং য়াংহনবা মীওইশিংসু কা হেন্না নোইখৎলক্তনবা হোৎনবা অসি য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা চাবা থকপদা কন্ট্রোল তৌবা, হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা, হকশেলগী চেকশিন থৌরাং লৌবা অসি য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

# মীওই কাঙলূপ ৬ তা এস টি ষ্টেটস পীগদৌরি

ৱাহাটি, মার্চ, ৯ঃ

অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লৈঙাক্লা ষ্টেট অদুগী মনুংদা খুন্দাদুনা লাকখিবা মীওই কাঙলূপ ৬ তা শোয়দনা সেদ্যুল ট্রাইব ষ্টেটস পীনবা হোৎনরি হায়খ্রে।

মীওই কাঙলূপ ৬ অদুগী দাবীশিং অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চুম্মী হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়বু এস টি ষ্টেটসতা লৈহনবীনবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মখোয়গী দিমান্দ য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পুথোক্তুনা সেন্তর, ষ্টেট অমসুং মীওই কাঙলূপ ৬ কী মীহুৎশিং য়াওবা মায়কৈ অহুমগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কবসু খঙহনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা মখা তানা হায়খিবদা মহাক মশানা য়ুয়িন হোম মিনিষ্ট্রিগা উন্নদুনা ট্রাইপার্টাইদ মীফম অমা শীনবীনবা খঙহনখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা লাক্লিবা ইশু অদু শোয়দনা লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়বসি খঙহনগনি হায়নসু মহাক্না হায়খি। হায়রিবা য়েলহৌমী মীওই কাঙলূপ ৬ অদুগী তোঙান তোঙানবা চৎনরোলশিং লোল অমসুং লিটরেচর কয়া অদু ঙাক্লা থম্নবগী অকনবা থৌশিল অমসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পায়খৎলি হায়না চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালগী ওফিসতগী থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হিরম অসিদা অসাম ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অমসু পায়খৎনবা শেম –শাবা লোইরে অমদি ষ্টেট থৌশিল অসিদা মরী লৈনবা য়েলহৌমীশিংগী কাঙলূপশিংনা মতেং পীবীগনি হায়বগ থাজবা লৈ হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# পুং ১২ গী বন্দনা দিব্রুগরদা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখ্রে



সিলাপথর, মার্চ, ৯ঃ

ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সিলাপথর তাউন্দদা হৌখিবা মার্চ ৬ থোকখিবা হিংশাগী থৌদোকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়াম্না দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টতা পুং ১২ গী বন্দ কৌখিবদুনা মরম ওইরগা ঙসি সহর অদুগী মহৌশাগী পুন্সিদা য়াম্না চঊনা অকায়বা পীখ্রে হায়রি।

হিংশাগী থৌদোকশিং অদু নিখিল ভারত বেঙ্গলি উৎবষ্টা সম্মোনয় সম্মিতিনা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা পাঙথোকপা মতমদা ওল অসাম ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফিস থুগাইখিবা অমসুং সিলাপথরদা লৈবা স্বাহিদ বেদি থুগাইখিবা অদুদগী থোক্লকপনি।

এন আই বি বি য়ু এস ঐচ না বঙ্গলাদেশতগী য়ুম হোংলকপা হিন্দুশিং অদু অসামগী সিতিজেনসিপ পীগদব।নি হায়বা রেল্লি অদু পাঙথোকখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১৯ হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফারে। অদুবু মপুং ওইনা থৌদোক্তুনা চেন্নবনি হায়বা নিখিল ভারত বঙ্গলি উৎদবষ্টু সম্মোনয় সম্মিতিগী প্রসিডেন্ট সুবুধ বিশ্বাসতি হৌজিকফাওবা ঙমদনা লৈরি।

তোঙান তোঙানবা লূপশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থোকখিবা থৌদোক অদু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা তোখায় তান্নবগী থৌদোকশিং থোহল্লিবা লূপশিং অদুগী মথক্তা য়েংশিন্দুনা মখোয়শিং অদু আইননা য়াদবা লূপশিংনি হায়না লাউথোকপীয়ু হায়না তকশিল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 9th March, 2017

No. Ex/90/74 : 1281 The following list of Examination Centres for the High School Leaving Certificate Examination, 2017 are hereby announced along with the venues and Roll Numbers of the Candiates allotted to each centre for general information of all concerned. For other details, candidates may contact the Officers-in-Charge of their respective centres. **Candidates are also informed that they are required to bring blue/ black ball point pens for darkening the OMR bubbles/circles.**

**PRIVATE CENTRE (OUTSIDE IMPHAL)**

| SL. NO. | CENTRE NAME | VENUE | ROLL RANGE From - To |
|---|---|---|---|
| 1 | MARAM | Don Bosco Hr. Sec. School, Maram | 10001 – 10201 |
| 2 | TADUBI | Mao Maram Hr. Sec. School, Tadubi | 10202 – 10706, 44912 |
| 3 | SENAPATI (A) | Bethany Higher Secondary School, Senapati | 10707 – 11236, 45006 – 45007 |
| 4 | SENAPATI (B) | Daikhova School, Senapati | 11237 – 11493, 44913 |
| 5 | PURUL | Purul Hr. Sec. School | 11494 – 11708 |
| 6 | UKHRUL (A) | 1. Ukhrul Hr. Sec. School, Ukhrul 2. Sacred Heart Higher Secondary School, Ukhrul | 11709 – 12486, 44914 – 44916 |
| 7 | UKHRUL (B) | Model High School, Ukhrul | 12487 – 13090 |
| 8 | CHINGAI | Chingai High School | 13091 – 13260 |
| 9 | KAMJONG | Kamjong High School | 13261 – 13386 |
| 10 | SOMDAL | Somdal N.K. Hr. Sec. School | 13387 – 13692 |
| 11 | PHUNGYAR | Phungyar Hr. Sec. School | 13693 – 13845, 45103 |
| 12 | TAMENGLONG | Tamenglong Hr. Sec. School | 13846 – 14303, 38899 – 38920 |
| 13 | TAMEI | Langmei Govt. High School, Tamei | 14304 – 14500 |
| 14 | NONEY | Tengkonjang Hr. Sec. School, Langmai | 14501 – 14992 |
| 15 | KHOUPUM | Khangsillung Hr. Sec. School, Khoupum | 14993 – 15337, 44917 – 44918 |
| 16 | PALLEL | M. G. Evergreen Hr. Sec. School, Tuisimi,Pallel | 15338 – 15834, 44919 – 44922, 45096 – 45101 |
| 17 | CHANDEL | Maha Union High School, Chandel | 15835 – 16264, 44923 – 44925 |
| 18 | KOMLATHABI | Liwachangning High School | 16265 – 16505 |
| 19 | MOREH | Moreh Hr. Sec. School | 16506 – 16803, 38921 – 38938 |
| 20 | JIRIBAM | Jiribam Hr. Sec. School, Jiribam | 16804 – 17177, 17214 – 17249, 44926, 45116 |
| 21 | BOROBEKRA | Borobekra Hr. Sec. School, Borobekra | 17178 – 17213, 17250 – 17301 |
| 22 | CHURACHANDPUR | 1. Ebenezer Academy 2. Don Bosco Hr. Sec. School, Salem Veng | 17302 – 20208, 44927 |
| 23 | SUGNU | 1. Sugnu Hr. Sec. School 2. Sugnu Junior High School | 20209 – 20688 |
| 24 | SEKMAI | Nilapadma Hr. Sec. School, Sekmai | 20689 – 21033 |
| 25 | SAIKUL | Model English High School, Saikul | 21034 – 21508, 44928 – 44929, 45102, 45106, 45107 |
| 26 | MOTBUNG | Presidency College, Motbung | 21509 – 21849 |
| 27 | SAPARMEINA | Songpao Lhinghat Memorial Hr. Sec. School | 21850 – 22409 |
| 28 | KEITHELMANBI | H.M. Hr. Sec. School, Keithelmanbi | 22410 – 22707, 22714 – 22753 |
| 29 | KANGPOKPI | K. T. Hr. Sec. School, Kangpokpi | 22754 – 23329, 45082 – 45095 |
| 30 | KANGLATONGBI | Hindi Sec. School, Kanglatongbi | 23330 – 23719 |
| 31 | KASOM KHULEN | Kasom Khullen High School | 23720 – 23827 |
| 32 | NUNGBA | Nungba Govt. High School | 23828 – 23977, 44930 |
| 33 | HEINGANG | Heingang High School | 23978 – 24229 |
| 34 | SAWOMBUNG | Success School, Chingarel, Sawombung | 24230 – 24708, 44931 – 44943, 45104 |
| 35 | KHUNDRAKPAM | Naorem Birhari College, Khundrakpam | 22708 – 22713, 24709 – 25075 |
| 36 | LAMLAI | Lamlai High School | 25076 – 25297 |
| 37 | YAINGANGPOKPI | Ching Tam High School | 25298 – 25623 |
| 38 | MOIRANG (A) | Moirang Multi. Hr. Sec. School | 25624 – 26132 |
| 39 | KWAKTA | Anita Standard High School | 26133 – 26421, 44944 |
| 40 | MOIRANG (B) | Mukta High School | 26422 – 26633 |
| 41 | NINGTHOUKHONG | Ningthoukhong High School | 26634 – 26961 |
| 42 | THANGA | Thanga High School | 26962 – 27079 |
| 43 | BISHNUPUR | Bishnupur Hr. Sec. School | 27080 – 27514 |
| 44 | OINAM | Oinam High School | 27515 – 27775 |
| 45 | NAMBOL (A) | Nambol Hr. Sec. School | 27776 – 28405, 44945 – 44946 |
| 46 | NAMBOL (B) | Nambol Collegiate High School | 28406 – 28690 |
| 47 | MEKOLA | Mekola Gulap Hr. Sec. School | 28691 – 28903 |
| 48 | KUMBI | Kumbi High School | 28904 – 29242, 44947 |
| 49 | WANGOO SANGANG | 1.Sagang Govt. High School 2.Wangoo Govt. High School | 29243 – 29525 |
| 50 | LANGMEIDONG | 1.Langmeidong Hr. Sec. School 2.Langmeidong Girls High School | 29526 – 30066, 44948 – 44958 |
| 51 | HEIROK | Heirok Hr. Sec. School | 30067 – 30516 |
| 52 | KAKCHING | Martin Grammar School | 30517 – 31032 |
| 53 | KAKCHING KHUNOU | Kakching Khunou Govt. High School | 31033 – 31257, 44959 |
| 54 | KHONGJOM | Eureka High School | 31258 – 31559 |
| 55 | KHANGABOK (A) | Khangabok High School | 31560 – 32165, 44960 – 44961 |
| 56 | KHANGABOK (B) | Pujari High School | 32166 – 32426, 45105 |

Cont. to page 7